# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 14-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মণিপুর পুলিসনা থি-হুম্বগী থবক চংথবদা লালহৌবা মঙা অমসুং ড্রগ লল্লোনবা মীওই অহুম ফারে।

২) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারনা লৌমীশিংগী য়াইফননবা থবক কয়া পায়খৎতুনা মখোয়গী শেন্থোক লম্বী ফগৎহনবগা লোয়ননা লৌউ শিংউগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরি।

অমসুং

৩) লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স য়াওনা অনৌবা টেকোলোজিনা পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেনদা চাউনা অহোংবা পুরক্লে।

------

পুলিস (এল)ঃ মণিপুর পুলিসনা ঙরাং থি-হুম্বগী থবক চংথবদা য়ু.এন.এল.এফ (পি)গী মীওই মরি ইম্ফাল ইষ্টকী নিউ চেক্কোনদগী ফারে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মখোয় তোঙান তোঙানবা স্কুল অমসুং কলেজশিংদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইশিংনি। মখোয় মরি অসি ইম্ফাল ইষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগীনি হায়রি। মখোয়দগী মরু ৭ য়াওবা সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, অমুবা মচুগী মহিন্দ্র স্কোরপিও অমা, শেল ওইনা লুপা লাখ ২ লিশিং ৬০, মোবাইল হেন্দসেট ৬ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙমলে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- সেকু্যরিতি ফোর্সনা ঙরাং কে.সি.পি (অপুনবা)গী এক্তিভ কাদর অমা থঙ্গাল বজারদগী ফাগৎখি। মহাক ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী পুংদোংবম ময়াই লৈকাইদগীনি হায়রি।

সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী চ্যেক পোইন্টতগী মণিপুর পুলিসনা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অমা ফারে। মীওই অসি দিমাপুরদগীনি হায়রি। মঙোনদগী হিরোইন পাউদর গ্রাম ২৬১ অমদি চাকা মরি পানবা গাড়ি অমসু ফাগৎপা ঙমখি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতসু মণিপুর পুলিসনা ড্রগ লল্লোনবা মীওই অনি য়াইরিপোক য়াম্বেম এরিয়াদগী ফাগৎখি। মখোয়দগী ব্রাউনসুগর কিলোগ্রাম ১ হেনবা, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা অমদি অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎখি।

আর্মি (এল)ঃ ভারত লান্মীগী রেড সিল্ড দিভিজন্না ঙরাং বিষ্ণুপুর জিলাগী সেনপাংজার খুঙ্গংগী মীয়ামদা থকবা ঈশিং মরাং কায়না ফংহন্নবগী পান্দমদা বোর ৱেল অমদি ঈশিং হাপবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখ্রে। মসিনা মফম অদুগী মীয়াম মরুওইনা নুপীশিং অমসুং অঙাংশিংদা হেন্না খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। থৌরম অদুদা খুল অদুগী অহল লমনশিং, কম্যু্যনিতিগী মীওইশিং অমদি নহাশিং শরুক য়াখি।

ৱার্কসোপ (এল)ঃ নুমিৎ নিনি চৎথগদবা হিষ্ট্রি ওজাশিংগী ওইবা হিষ্ট্রি মেথোথোলোজি অমসুং স্কিল এনহান্সমেন্ট ৱার্কসোপ ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা লোইশিল্লগনি। ৱার্কসোপ অসি কলেজ দিভলপমেন্ট কাউন্সিল, মণিপুর য়ুনিভর্সিতি অমসুং রাষ্ট্রিয়া সমাজ বিগ্যান পরিষদ নিউ দিল্লিনা পুন্না খুৎশমদুনা শিনবনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা কলেজ অমদি য়ুনিভর্সিতিগী হিষ্ট্রি ওজাশিংনা শরুক য়ারি। মসিদা লৈবাক অসিগী শকাইরবা হিষ্টোরিয়ান কয়ানা রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়ারি।

মেট ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল বিভাগনা হায়রি- মণিপুর, অসাম, নাগালেন্দ, মিজোরম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়দা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি

অসিদা অখাক অরাও য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই। অমরোমদা, ৱেদর এজেন্সিনা হিমাচল প্রদেশকী মফম কয়াদা কা হেন্না শারবা য়াই হায়রি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা এন.দি.এ সরকারনা লৌমীশিংগী য়াইফননবা থবক কয়া পায়খৎতুনা মখোয়গী শেন্থোক লন্বী ফগৎহনবগা লোয়ননা লৌউ শিংউগী লম হেন্না চাওখৎহন্নবা হোৎনরি।

গুৱাহাতিদা ঙরাং পি.এম. কিষান স্কিমগী ২২ শুবা ইন্সটোলমেন্ট লৌমী কোতি ৯ মখায় হেনবদা খুৎশিন্নখ্রবা মতুংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- হৌখিবা চহি ১১ অসিদা বি.জে.পিগী সরকার অসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক লন্বী হেনগৎহন্নবা খোঙথাং কয়া পায়খৎলে। কেন্দ্রদা চহি ১০ কংগ্রেসনা পাল্লম্বা মতমদা লৌউ শিংউগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংবীরমদববু প্রধান মন্ত্রিনা মরাল শিখি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী অসাম খোঙচৎ মনুংদা মহাকা ঙসি সিলচরদা চৎকনি অমদি লুপা কোতি লিশিং ২৩,৫৫০ গী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগীনা যাত্রা হুনগনি অমদি খরগীনা শঙ্গাগনি।

মদুগী তুংদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি কোলকাতা চৎকনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১৮,৬৮০ গী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা যাত্রা হুনগনি। মফম অদুগী লন্বী থোং ফগৎহন্নবগী পান্দমদা প্রধান মন্ত্রিনা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্ট খরগীনা যাত্রা হুনগনি, খরগীনা শঙ্গাগনি। কিলোমিতর ৪২০ হেন্না শেমগৎকদবা প্রোজেক্ট অসি লুপা কোতি লিশিং ১৬,৯৯০ চংনা পায়খৎকনি। ঙসি শঙ্গাগদবা প্রোজেক্টশিং অদুগী নোংচুপ বেঙ্গল অমসুং ঝারখন্দগী নেসনেল হাইৱে-১৯, নোংচুপ বঙ্গলগী নেসনেল হাইৱে ১১৪ নি।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- দিবিয়াংজনশিংনা লৈবাক অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা অচৌব থৌদাং লৌরি। নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা পরপল ফেষ্টতা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- ফেষ্টিভেল অসিনা দিবিয়াংজনশিংগী তৌবা ঙম্বশিং অদু উৎপা ঙমলে। মহাকা হায়-

দিবিয়াংজনশিংনা লিতরেচর, স্পোর্টস, সাইন্স অমদি অতৈ লম কয়াদা মাংজিল থাবা ঙমলি। থৌরম অদুদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মখোয়গীদমক্তা সরকারনা পায়খৎপা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী মতাংদসু পনখি।

লোক সভা ঃ  লোক সভানা ঙরাং সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস সেকেন্দ বেটচ ২০২৫-২৬ অয়াবা পীখ্রে। মসিগী মখাদা সরকারনা অহেনবা গ্রোস এক্সপেন্দিচর লুপা কোতি লাখ ২ লিশিং ৮১ খাক্লে। মসিনা হার, চীঙ্গাক্কী সবসিদিশিং, ঙাকশেলগী সার্ভিসশিং অমদি অতৈ থবকশিংদা শিজিন্নগনি।

খন্ন-নৈনবগী পাউখুম অমদা শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস অসিদা গ্রান্ট ৬১ য়াওরি। মহাকা হায়- সরকারনা মেক্রো ইকোনোমিক্কী ফ্রেমৱার্কশিং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা লৈবাক্কী শেল থুমগী লমদা চাউনা অহোংবা পুরকপা ঙল্লগনি।

সপ্লিমেন্টরি দিমান্দস ফোর গ্রান্টস সেকেন্দ বেটচ ২০২৫-২৬ অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা লোক সভানা এপ্রোপ্রিয়েসন বিল ২০২৭ সু অয়াবা পীখ্রে।

স্পিকর ঃ  লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হায়রি- টেকোলোজি শিজিন্নরগা লৈঙাক সাসন তৌবা, দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী থৌওংশিং অমসুং দিজিতেল প্লেটফোর্মনা পাব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনদা মনুং মপান ফাওনা উহনবগা লোয়ননা নিংথিনা থবক তৌবা ঙমহল্লে।

ৱাফম অসি লৈবাক ৩০ গী উদ্যোগকী লুচিংবশিং য়াওবা পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংগা নিউ দিল্লিদা উন্নবদা শ্রী বিরলানা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- ভারত অসি হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ইনক্লুসিভ দিভলপমেন্ট, দিজিতেল ইনোভেসন অমদি অফবা লৈঙাক সাসনগী লমদা খুমাং চাওশিনবা ঙমলে। শ্রী বিরলানা হায়- সংসদকী থবক থৌরমশিংদা অনৌ অনৌবা টেকোলোজি অমদি আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্সনা লাইথোকহনবা ঙমহল্লে। পার্লিয়ামেন্টরিয়ানশিংগী মরক্তা মখোয়গী লৌশিং, ৱাখল্লোন, এক্সপরিয়েন্সশিং অমগা অমগা ফোংদোকদুনা মালেমগী ওইনা হেন্না অফবা দেমোক্রেতিক ইন্সটিট্যুসনশিং মপাঙ্গল কনখৎহন্নবসু শ্রী বিরলানা ফোংদোকখি।

ইরান ঃ আমেরিকা, ইজরেল অমসুং ইরানগী মরক্তা লান শোকবদগী নোংচুপ এসিয়াদা উংখৎনবগী ফিভম হৌজিকসু মখা তানা লৈরি। ঙরাংসু টেহরানদা নৌনা এয়ার ষ্ট্রাইক চথখি। হৌজিক ফাওবদা ইরান, লেবানন অমসুং ইজরেলদা মীওই লিশিং ২ হেন্না শিখ্রে হায়রি।

ভিপি ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন ঙসি হিমাচল প্রদেশতা চৎকনি। মহাকা কংগ্রা জিলাগী ধর্ম্মসালাদা লৈবা সেন্ত্রেল য়ুনিভর্সিতি ওফ হিমাচল প্রদেশকী ৯ শুবা কনভোকেসনদা শরুক য়াগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা ধর্ম্মসালাদা লৈবা ৱার মেমোরিয়েলদসু চৎকনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

পোপ্পি থাবশিং মেকানিজম অমা পুথোক্লগা ফাদ্রগদি ঙল্লরোই হায়বা লোসি দিখোগী ৱাফম পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা পোপ্পি থারিবা চীংশিং ফোরেষ্টনা কন্ত্রোল তৌবা ঙমদে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা কুকি বোদিনা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা টোতেল সটদাউন লাউথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা মতম হেল্লবা গাড়িশিং পি.পি.পি মোদেলদা চকখায়নবা হোৎনরি- চীফ মিনিষ্টর, এ.দি.সিগী মীখল মতম চানা পাঙথোকপা ঙমদ্রিবসিগী মতাংদা রিপোর্ট কৌখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোপ্পি থাবা অমসুং ঝুম কল্টিভেসন্না ফোরেষ্টকী লম স্কৱার কিলোমিতর লিশিং ১,০৮৮ মাংহনখ্রে, উমং কলহৌদ্রবদি মণিপুর পুমলোই লোইবা তারে হায়বা এম.এল.এ- রঞ্জিৎকী ৱাফম হুইয়েন লানপাউ পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লগনি, ইনফ্লেসন রেট হন্থরক্লি হায়বা চীফ মিনিষ্টরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা মণিপুর মেলগী অহানবাা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা এন.পি.ওনা শান্তিগী আপীল তৌরি, কে.আই.এম, কোহুর অমসুং কোতুদা মখোয়গী অলতিমেতম হন্দোকবা তকশিল্লক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা কোতু অমসুং অতৈ কুকি সি.এস.ওশিংনা থৱায় ভিলেজদা কুকি অনি হাৎখিবগী অচুম্বা পুং ২৪ গী মনুংদা পুথোকবা অলতিমেতম থোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা মণিপুর এসেমব্লিনা দিমান্দস ফোর গ্রান্টস ১০ গী শেনফম লুপা কোতি লিশিং ৬,৭১০ পাস তৌখে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এল.পি.জি অমদি থাউ মরাং কায়না লৈরি, মীয়ামা থাউ পৈশিন্নবা হোৎনবিগনু হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি অতৈ পাউচেশিংদসু ফোংনরি।

লিতানদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিনহনবা ঙমদ্রি, ঙসিদগী উখ্রুল অমসুং কামজোংগী মীয়াম হেলিকোপ্তর তোংদুনা ইম্ফালদা চৎথোক চৎশিন তৌগদৌরি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউ পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------